# রেভল্যুসন পাম্বশিংগী মরক্তা ওলিম্পিক গেমস পাঙথোকপা

- লৈশাংথেম অজিৎ -

কুমজা ১৯৬৮ গী ওক্টোবরগী তাং ২ দা ২০ শুবা ওলেম্পিক গেমস মেক্সিকো সহরদা হৌদোক্কদবা নুমিৎ ১০ নি ৱাৎলিঙৈদা নেসনেল ওটোনোমস য়ুনিভর্সিটি ওফ মেক্সিকোদা মহৈরোয় ৩০০ হেন্না সিফাইনা নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎখি অমদি মীওই ১৩০০ হেন্না ফাজিন্দুনা থমখি অদুবু হায়রিবা মশীং অসিদগী হেন্না হাৎখিবগী খুদম লৈরি। মতম অদুদা মেক্সিকো অসি শেল থুমগী ফীভম য়াম্না ফৎলমদে। মহৈরোয়শিংনা অপূনবা শক্তম শাগৎতুনা, লৈঙাক শাসনগী মায়োক্তা শেঞ্জা থুমজা তৌবগী অমদি লৈবাক্তা অহোংবা পুরক্নবা লম্বীদা, কৈথেলদা, বসতা পুল্লপ পুল্লপ চৎতুনা (লৈঙাক্কী মায়োক্তা) লৈবাক অদুদা অনৌবা য়াওন অমা পাম্বগী খোঙজং চংশিনবা মতমনি। মীচমশিংগী শেন্থোক লম্বী ৱাৎলি, শেৎপা চাবা নিংথিনা ফংদে। মনিং থুংদবা মীওইশিংগী মশীং নোংমা নোংমগী হেনগৎলক্লম্মী।

অমরোমদা লৈবাক অসিদা ২০শুবা ওলেম্পিক গেমস পাঙথোক্নবা দোল্লর মিল্লিয়ন ১৫০ চাদিং তৌখিবা অসি য়ানিংদে, শেলফম অসি হৌজিক্কী মতমদদি দোল্লর বিল্লিয়ন অমগা মান্নে। লৈবাক অসিগী প্রসিদেন্ট Gustavo Diaz Ordaz না ইন্দিপেন্দেন্ট লেবর য়ুনিয়ন অমসুং লৌউ শিংউববু নমথদুনা থনম্মী। কুমজা ১৯৫৮ দা হান্না প্রসিদেন্ট ওইরম্বা Adolfo Lopez Mateos গী মতমদা লেবর লিদর (খূৎনা থবক শুবশিংগী লুচিংবা) দেমোত্রো ভাল্লেগোনা রেলরোদ য়ুনিয়ন শেম্নবা তৌবদা মহাকপু লৈবাক অদুগী কন্সটিট্যুশনগী আর্টিকল ১৪৫ পেনাল কোদকী মতুং ইন্না ক্রাইম তৌই হায়দুনা ফাদুনা জেলদা থমখি। অসিগুম্বা লৈঙাক ফত্তবা অসিনা মরম ওইদুনা মহৈরোয়শিংগী ঈহৌ হেনগৎলকখি অমদি দিমোক্রেসিগী অপাম্বা হেন্না লাকখি।

ওলেম্পিক পাঙথোক্কদবা চহী ১৯৬৮ দা মহৈরোয়শিংনা নেসনেল ষ্ট্রাইক কাউন্সিল অমা শেমদুনা প্রসিদেন্ট দিয়াজ ওরদাজগী মথক্তা প্রোটেষ্ট তৌবা হৌখি। নেসনেল ষ্ট্রাইক কাউন্সিল অসি য়ুনিভর্সিটি অমদি প্রিপীয়ারিটরি স্কুল ৭০ গী দিমোক্রেটিক দেলিগেটশিংনি। মসিনা সোসল এদ্যুকেশনেল, পোলিটিকেল রিফোর্মগীদমক (প্রোটেষ্ট) ৱাকৎ চৎথবা হৌখি। লূপ অসিগী দেলিগেট ২৪০ না ৱারেপ অমা লৌবা মতমদা ভোট লৌই, নুপীগী দেলিগেট মশীংগা নুপাগী মশীংগা চপ মান্নহল্লি। মখোয়না তাক্লিবদি (১) আর্টিকল ১৪৫ : পেনাল কোদ লৌথোকপা (২) গ্রানাদেরো (টেক্নিকেল পুলিস ফোর্স) লৌথোকপা (৩) পোলিটিকেলগা মরী লৈননা জেলদা থমখিবা ফাদোকশিং মনিংতমহনবা (৪) পুলিসকী মকোক ওইবা অমদি মহাক্কী মথং খনববু লৌথোকপা (৫) মমাঙগী লৈঙাকশিংগী মতমদা ঈ-নাই তাহনখিদুনা মীওই কয়া হাৎখিবা ওফিসলশিংবু মশক খঙদোকপনি।

মতাং অসিদা জুলাই ২৩, ১৯৬৮ দা পুলিসনা নমদুনা ভোকেসনেল স্কুলদা মহৈরোয় মরক্তা ষ্ট্রিট গেঙ, লম্বীদা তাকুগী থবক তৌবা, মী ফুবা, পৈশা মুনবা য়াওই মদু ফানবনি হায়বগী মমিংদা চঙলক্লম্মী। মহৈরোয়শিংগী দিমোন্সত্রেশন নমথনবা লিংখৎখিবা গ্রানাদোরো হায়না খঙনবা পুলিসশিংনা স্কুল অদুগী মহৈরোয় অমদি ওজা কয়াদা ফু চৈবা তৌখি। পুলিস অমনা মহৈরোয় অমা ফুরগা জেলদা হেক থাজিনবগা দোল্লর অহুম অহুম পীদুনা লৈঙাক্লা পূক্লিং থৌগৎখি। ঈহৌ অসি মেক্সিকো সহরগী ৱাংমদা শন্দোকখিদুনা লৈবাক অদুগী মফম কয়াদা তোঙান তোঙানবা লূপ কয়াদগী মতেং ফংখি অমদি ওলেম্পিক গেমস পাঙথোক্কদৌরিবা ওক্টোবর থা ফাওবা খোঙজং অসি চথরকখি। মতম অসিদা মহৈরোয়শিংনা বৃগেদশিং শেম্লম্মী, বৃগেট অমদা মহৈরোয় তরুক্লা শাই। মখোয়না কৈথেলদা অমদি বসতা চেজায় য়েল্লি অমদি বস মনুংদা তোংলিবশিংদা (লৈঙাক্লা) লৈঙাপশিংনা করপসন তৌবা, পুলিসনা থিনা তৌবিবা, আইন লৈতবগী মরমদা ঙাঙই অমসুং পৈশা নিদুনা ফন্দ খোমজিল্লি।

চহী অসিগী ওগষ্ট ১ দা মেক্সিকোগী নেসনেল ওটোনোমস য়ুনিভর্সিটিগী রেক্টর বারোস সেরানা মহৈরোয় ৫০,০০০ রোম লুচিংদুনা য়ুনিভর্সিটিগী ওটোনোমি লৈঙাক্লা থুগাইনবা হোৎনখিবা অদুগী মায়োক্তা অমদি পুলিসনা আইন কয়া পানশিন্দুনা মীহাৎ মীপুন তৌরিবশিং অদু তোক্লবা শান্তিগী খোঙচৎ অমা চৎখি। মথংদা সেপ্টেম্বর থাগী তাং ১৩ দা মহৈরোই শিন্নীশিং, লৌমী, ওজা অমদি মীচমশিং য়াওবা অচৌবা খোঙচৎ অমা চৎতুনা মখোয়গী খোঙচৎ অদু ওলেম্পিক্লা মরী লৈনদে অমদি মেক্সিকো ইন্দিপেন্দেন্টগসু মরী লৈনদে হায়নসু লাউখি। ওলেম্পিক গেমস নকশিল্লকপদা লৈবাক অদুগী প্রসিদেন্ট দিয়জ ওরদাজনা অসিগুম্বা দিমোন্সত্রেশনশিং অসি লেপহনবা পাম্মী মরম অদুনা সেপ্টেম্বর থাদা মহাক্লা নেসনেল ওটোনোমস য়ুনিভর্সিটি ওফ মেক্সিকোগী কেম্পসপু লান্মীনা খুদম চনশিন্নবা খঙহনখি। মখোয়না নোংমৈ মরু অমত্তা কাপ্তুনা কেম্পস অদু খুদুম চনশিনখি, মহৈরোয় কয়া ফুদৎখি, মসিগী মায়োক্তা ৱাকৎ ওইনা রেক্তর বারোস মফম থাদোকখি। মথংদা লান্মীনা পোলিটিক্নিক লৌশিন্নবা হোৎনবদা মহৈরোয়শিংনা কন্না অথিংবা থমখি মরম অদুনা সেপ্টেম্বর ২৩ গী পুং ১৭:০০ (নুংথিল পুং ৫) দগী লান্মীগা মহৈরোয়গা খূৎ থোক্লখি। মায়কৈ অনীমক খূৎলাই পায়নৈ, মহৈরোয়শিংনা হেন্দগন কেলিবর ২২, সিফাইশিংনা মিলিটরি রাইফল এম -১ অমসুং বাজুকা পায়রম্মী। পুং ১২ গী লান অদুদা মহৈরোয় ১৫ শিখি, লৈঙাক্কী সিফাই অহুম শিখি হায়না লাউথোকখি।

ওলেম্পিক হৌগদবা নুমিৎ ১০ খক্তা ঙাইরবা ওক্টোবরগী তাং ২ দা য়ুনিভর্সিটি অমদি হায়স্কুলগী মহৈরোয় ১০,০০০ রোম Plaza Da Las Tres Cultures কৌবা মফম অমদা লৈঙাক্কী থৌওংশিং অসিগী মায়োক্তা প্রোটেষ্ট তৌদুনা ৱাঙাঙলোয়শিংনা ইংনা তপ্পা ঙাঙদুনা মীয়ামশিং অদু তারম্মী। মহৈরোয়শিংনা প্লাগা অসিগী দোলান মথোন ১৩ ৱাংবা য়ুমজাও অমগী মপান্দা (শুমাংদা) পুল্লপ লৈরম্মী মদুদা “ঐখোয় ওলেম্পিক পামদে, ঐখোয় রিভোলুসন পাম্মী” হায়না ঈশৈগী মওংদা ৱাহৈশিং অসি মচিন্দা হৌনা হৌনা লাউরম্মী, লান্মীশিং থুংলরবা মতম ফাওবা ৱাকৎ অদু তোক্লমদে। নুংথিল পুং ৫ মিনিট ৫৫ তাবদা পুলিস অমদি মিলিটরিগী হেলিকোপ্তরশিং পাইরকখি, মথংদা খূৎলাই পায়বা লান্মী ৫০০০, তেঙ্ক ২০০ অমসুং ত্রক কয়া অমুক্না প্লাজা অদু কোয়শিনখি অমদি তিল্লিবা মহৈরোয়শিং অদুদা নোংমৈ কাপশিন্দুনা মহৈরোয় ৩০০ হেন্না হাৎখি। চহী কয়াগী মতুংদা থিজিন খোচিনবশিংনা মরু ওইবা দোক্যুমেন্টশিংদগী ফংবা রেকোর্দকী মতুং ইন্না মীওই ১০০০ হেন্না হাৎখি হায়রি অমদি মী হাৎপগী থবক অদু অহিং চুপ্পা চৎথখি। তৌইগুম্বসুং ওক্টোবর ১২ দা ওলেম্পিক গেমস হেক হৌখিবগা মীয়াম হাৎখিবগী ৱাথোক অদু তপ্পা তপ্পা ইংথখি, মালেম পূম্বা ওলেম্পিক্কী কুম্মৈদা মায় ওনশিন্নখি অদুবু মতমগী মতুং ইন্না মীহাৎপা অচৌবা থৌদাং লৌখিবা লুচিংবশিং তপ্পা তপ্পা আইনগী মতুং ইন্না থিগৎলক্তুনা কুনমাথোইশুবা চহীচাদা চৈরাক ফংবা হৌনরক্লি।

গেমস অদুগী ওইনদি সহর অদুদা ওলেম্পিক পাঙথোক্নবা অয়াবা ইন্টরনেসনেল ওলেম্পিক কম্মিটিনা হেক পীখিবা নুমিৎতগী মালেমগী লৈবাক অয়াম্বনা মসিগী মায়োক্তা ৱাকৎ লাকখি মরমদি সহর অসি সমুদ্রগী ইমাইদগী মিটর ২৩০০ নৎত্রগা ফুট ৭৫৪৬ ৱাংবা মরম্না নুংশিৎতা ওক্সিজেন য়াওবগী চাং য়াম্না হন্থগনি। মরম অদুনা মরু ওইনা ইন্দুরেন্সকী ওইনা মপুং ওইবা থৌরমশিং লমজেল অশাংবা, হি হোনবা অমদি সাইকল লমজেল অশাংবনচিংবদা শরুক য়াবা শান্নরোয়শিংদা খুদোংথিবা মায়োক্লগনি অমসুং মখোয়না মতিং ফুদোক্লা শরুক য়াবা ঙমলোই। মরম অদুনা মিটর ৫০০০ অমসুং মিটর ১০,০০০ গী লমজেলগী রেকোর্দ য়াম্না তপখি, মালেমগী মিটর ১০,০০০ গী রেকোর্দ পায়রিবা ওষ্ট্রেলিয়াগী রোন ক্লার্ক তরুকশুবদা লাকখি অমসুং লমথুংফম হেক য়ৌবগা ৱান্থদুনা মিনিট ১০ জ্ঞান তাদনা লৈখি। অদুবু নুপাগী লমজেল মতেক হায়বদি মিটর ১০০, মিটর ২০০ অমদি মিটর ৪০০ গী লমজেলদদি মালেমগী রেকোর্দ থুগাইখি। চেঙ্গোংদা অমেরিকাগী রোবার্ট বিমোন্না ফুট ২৯ ইঞ্চি ২ মখায় (মিটর ১৮.৯০) চোংদুনা মালেমগী রেকোর্দ থুগাইদুনা হান্না লৈরম্বা মালেমগী রেকোর্দতগী সেন্টিমিটর ৫৫ হেন্না হায়বদি ফুট অনী য়ৌফাত্তনা হেন্না চোংখি। মিটর ২০০গী লমজেলদা মকোক ওইখিবা য়ু এস এগী কুচু মুবা তোমী স্মিথ অমসুং অহুমশুবা তাখিবা জোন কার্লোজনা মেদল লৌবা মতমদা খুতুম শিংদুনা মখূৎ ৱাংনা থাঙ্গৎতুনা ব্লেক পৱার মুভমেন্টগী খোঙজং চঙশিল্লুবগী গেমস অসি প্রেসশিংনা থোয়দোক হেন্দোক্লা মালেমগী মফমশিংদা কাচিন কোয়া য়ৌনা শন্দোক্লবা ঙম্বমখৈ হোৎনখি। মখোয় অনীবু য়ু এস এ ওলিম্পিক কম্মিটিনা মথংগী থৌরম অমত্তা য়াওহনখিদে, মখোয় অনীবু ইন্থোক্তুনা থমখি। মখোয় অনীনা ময়ূমদা হল্লকপা মতমদসু কনা অমত্তনা মখোয়বু হরাউ তরাম্না ওকপীখিদে। থৌরম অদুদা অনীশুবা তাখিবা ওষ্ট্রেলিয়াগী পেটর নোরমান লৈবাক অদুগী ওলিম্পিক কম্মিটি অমসুং ওষ্ট্রেলিয়াগী মীয়াম্না ইন্থোক্তুনা থমখি। মহাক ওষ্ট্রেলিয়াগী মিটর ২০০গী রেকোর্দ পায়রবসু ওষ্ট্রেলিয়া ওলিম্পিক কম্মিটিনা মহাক মখা তানা এথলেটিক্সতা শরুক য়াহনখিদে। মহাকপু ওষ্ট্রেলিয়া ওলিম্পিক কম্মিটিনা তান্থোকখিবদি মহাক্কী মথবাক্তা হ্যুমেন রাইটকী পিন অমা থেৎলগা মেদল লৌবগী থৌরমদা শরুক য়ারুবগীনি। মহাক লৈখিদ্রবা মতুংদা ওষ্ট্রেলিয়াগী পার্লিয়ামেন্টনা মীফম অমদা মহাক্কী মমাদা লাল্লে হায়জখি। ●

# য়েংদুনা, তাদুনা লৈথোকপা চুল্লিব্রা

- সী সী মঙানলৈমা -

করিগুম্বা অমা হেঞ্জিন্না তৌরকপদা অথিংবা পীদুনা তৌহন্দবা হায়বসি মহৌশাদগী হৌনা চৎনদুনা লাক্লবা খুন্নাইগী মচৎ অমনি। মসিগী অথিংবা অসি লৈরমদ্রবদি খুন্নাই অদুদা লৈরিবা মীওই খুদিংমক শারমচৎকী পুন্সিগা মান্ননা হিংনরমগনি। মসিগী মীওইবগী ৱাংমদা লৈগদবা পুন্সি মহিং অসি লৈতনবগীদমক মণিপুরগী খুন্নাইদসু শুথাং নাইনা তৌবা য়াবা, য়াদবা হায়বা খাইদোক্তুনা মদুবু খুন্নাইগী চৎনবী অমা ওইনা ঙাক্তুনা লাকই। অদুনা ঐখোয়না চৎনবীগী ৱাংমদা হেনজিন্না তৌবা মীওইশিংবু হুন্দুনা ঙাঙবা অমসুং মখোয়গী লমচৎ-শাজৎ অদুনা খুন্নাইদা শন্দোরক্তুনা খুন্নাই অসিবু অশিবা খুন্নাই অমা ওইহল্লক্কদবদগী লৈঙাক্লা নৎত্রগা সী এস ওশিংনা নৎত্রগা অথিংবা পীবা ঙম্বা কাঙবুশিংনা কন্নবা হোৎনবা হায়বসি তঙাইফদনা তৌদ্রবা য়াদ্রবা অমনি।

মমা মপানা ৱারক-ৱাতেম তৌদবদগী কৈরোই লৈকায় লান্না লমকেৎ লমহাইনা থবক তৌরকপা মীওইশিংবু ঐখোয়না লমহেন-তুহেনবা হায়না হায়নরিবসি মখোয়না খুন্নাইগী হৌন-লোনচৎ কোমথোক্লগা মসিগী অনীংবা অমসুং অপাম্বা অদু মথোং হুক্তবা মওংশিংগা লোয়ননা খুন্নাইদা উথোরকপদগীনি। মসিগী মানা মানা তৌনীংবতা তৌবা খুন্নাইগী চৎন-লোনচৎপু মাগী মোন্দ্রংগী তাইবঙদা লুপশিল্লুরগা মপান্দা পুথোরকপা অদুনা চৎনবী ওইহন্নবা হোৎনরকপা অসি খুন্নাইবু লৈখা তাহন্নবা তৌবা থৌওংনি হায়না লৌবা তারকপনা মখোয়বু মওং অমদা নৎত্রগা অমদা অথিংবা পীদুনা থেংনবা হায়বসি তঙাইফরক্তে।

হৌজিক ময়াম্না মীতৌ তম্নবদা লৈরিবা ৱাখল্লোনগী মায়কৈ অসি ঐখোয়না অনী থোক্লা নৈনবা য়াই। অহানবদা, মালেমগী হোংলক্লিবা চাওখৎলবা লৈবাকশিংগী হিংবগী পুন্সি মহিংদা উৎথোরক্লিবা ফীভম কয়াদা মতৌ তমদুনা মদুগী খুদুং ইন্নবা হোৎনবা অদুগা অনীশুবদনা, ঐখোয় অসি ইন্দিয়ন মচাশিংগী মরক্তা লৈবা মীয়ামনি অদুনা ইন্দিয়নশিংগী মতৌ লৌরগা হিংনবগী পাম্বে ওইহনগদবনি হায়না লৌবা অসিনি। হায়রিবা অনী অসি মণিপুরগী খুন্নাইদা য়াম্না চাউনা শিংনবা ঙাক্তা ওইরবসু ইন্দিয়নশিংগী লমচৎ-শাজৎ লৌদুনা ইন্দিয়নগুম্না হিংনবা হোৎনরকপা অসি মণিপুরবু ইন্দিয়াগী ঈরোলনুংদা লুপশিনখিবগী অচৌবা ঈচেল অমা ওইরকপনা অথিংবা পীবগী থৌওং অসি ইন্দিয়াগী মতৌ তম্বদনা হেন্না পীবা তাই হায়না লৌবা কাঙবুশিংনা মসিদা হেন্না ৱাখল থাদরকই। মরম অদুনা নাট অমসুং চৎনবীদা ইন্দিয়াগী মতৌ তম্বা নৎত্রগা মখোয়গা মান্ননা হিংবগী মওং মতৌ হাপচিন্দুনা উৎথোরক্লবা হোৎনরকপা হায়বসিনা হেন্না তোপ তোপনা লৈজরম্বা মণিপুর লৈবাক্কী ওইবা ৱাফমদা ইন্দিয়াগা মুক্নবা হেনগৎলক্কনি হায়না লৌবনা হীরম অসিদা খরা হেন্না অথিংবা থম্নরকপা হায়বসি মশানা তাবনি।

মণিপুরবু মালেমদা মশক তাকপদা শান্ন-খোৎনবা অমসুং আর্ট এন্দ কলচরনা মপূং ওইবা থৌদাং লৌরি হায়বসি অচুম্বনি। অদুবু অনী অসি পুথোক্তুনা মীয়ামদা উৎথোরকপা মতমদদি তোঙানবা শক্লোন্দা মশক পুথোক্লরকই। হায়বদি শান্না-খোৎন তৌবশিংনা মীয়াম মমাঙদা উৎথোরকপা মতমদা মহাক্কী হৈথোই শিংথোইবা অদুতমক পুথোক্তুনা উৎথোকই। মদুদা খুন্নাইগী ফিজোল শেৎতুনা খুন্নাইবু মশক তাক্লবগী ফীভম লৈতে। অদুবু আর্ট এন্দ কলচরগা মরী লৈনবা থৌরমশিংদদি মাগী মাগী খুন্নাইগী ফিজেৎ-ফিরোল অমদি মমাঙঙৈদগী লৈরক্লবা চৎন-লোনচৎশিংনা মশক তাক্তুনা পুথোকই। অদুনা নাটকী ফিজোল অমদি উৎথোক্লিবদুগী মওং মতৌশিংনা খুন্নাইবু মশক তাক্লিবা অসিদা মাগী অপাম্বা নৎত্রগা মীরমগী ওইবা চৎনবীগা মান্নবশিং পংহাপ হাপচিল্লকপা হায়বসি খুন্নাইগী শক্তম্বু মরিং-মরাংহনবা ওইনা থোকই। মসিনা মণিপুরগী ওইবা তোপ তোপ্পা খুন্নাইগী মশক অদু মাঙথরকই। অদুনা নাটকা মরী লৈনবা থৌরমশিংদা মণিপুর মীয়ামগী মহুৎ শিন্দুনা থৌদাং লৌরিবা মীওইশিংনা মখোয়না শেৎলিবা ফিজেৎ-ফিরোল অমদি পাঙথোক্লিবা থৌরমশিং অদুদা খুন্নাইনা শুথাং নাইনা চথরক্লিবা চৎন-লোনচৎ অদুদগী থৈদোক্লবা কৈদৌঙৈদা হোৎনরোইদবনি।

থৌরম অমা পাঙথোকপদা শেৎলি-ইল্লিবা ফিরোল অদু মহাক খক্তা নত্তনা অতোপ্পা মীওইশিংনা য়েংই অমসুং মদুগী ফজবা অদুনা খুন্নাইদুগী চাওখৎপগী থাক লেপ্পী। মণিপুরদা ঙসি পাঙথোক্লিবা অয়াম্বা থৌরমশিংদা নুপীশিংনা মশাগী কলচর ঙাক্লা ফিজেৎ ফিরোল শেৎনা ইন্নরকপা য়াম্না থেংনরে। মসিগীদমক নুংঙাইবা পোকই। অদুবু নুপাশিংদি অয়াম্বনা শেৎতে অমসুং মীরমগী মতৌ তম্বনা অয়াম্বনি। ফজখ্রবা থৌরমদা নুপাশিংনা সেকেন্দ হেন্দগী জিন্স অৱাওবা শেৎলগা থোক্লকপা য়াম্না থেংনৈ। কুর্টা পাইজমা শেত্তুনা ঐখোয়সি ময়াং মচাগী মতৌ তন্ফম থোকই হায়না চাউথোকচবসু হৌজিক্তি ফম্নাইবশিং, এম এল এ, মিনিষ্টরশিং ফাওবা য়াওশিল্লক্লে। অথিংবা লৈতবদগী ফিল্মগী এক্টরশিং কোইজোম্বা ইন্দিয়াগী মতৌ তম্লগা নুপা মানবা হেল্লি হায়না থোক্লকপা য়াম্না য়াওরে। অৱাবগী তাঙ্কক্তা নৎত্রগা ৱারীগী পরিংদা কোইবু শক্তাকপা ওইনা চোমহল্লম্বদু হৌজিক্তি মণিপুরীশিং অসি ময়াংগা মান্নবা কোইজোম্বা ফুরুপনি হায়না মশক তাক্লবা হোৎনরক্লি। ইন্দিয়াগী অৱাং নোংপোক থংবা শরুক্তগী হৌরগা সাউথ ইষ্ট এসিয়া অমসুং ইষ্ট এসিয়াগী লৈবাকশিংগী মীয়াম অসি কোই য়াম্না চোমদবা অমসুং খরা চোম্বা তারবসু নিংথিজনা কক্লগা ময়াম মমাঙদা তরু-তনান্না থোক্লকপা ফুরুপশিংনি। অদু ওইরবদি কোইচোম্বনা মখোয়গী মশক তাকপা পাল্লিবা অদু মখোয় ময়াং মচাশিংগী চাদা-নাওদানি হায়না মালেমদা মশক তাকপা পাল্লিব্রা। মসি পামদবা মীওইশিংনা হায়রিবা মীওইশিং অসিবু মণিপুরগী ফিল্মশিংদা কুম্লকপা য়াহন্দনবা থিংলকপা হায়বসি মশানা তারকপনি।

মসিদা নত্তে, হৌজিক্তি মণিপুর অসি তাহৈ-উহৈদবা কয়ানা পীক থল্লক্লে। সোসল মিদিয়া লাকপদগী অমুক্না হেন্না শোকচিল্লক্লে। মমাঙঙৈদা হায়নরমদবা, শোয়দনা হায়দোক-খবদা ইকায়নরম্বা, মমা মপা, কৈরোই লৈকায়গী অহলশিংনা মচোমপাক নাইদবা ওইনা লৌনরম্বা ৱাহৈশিং হৌজিক্তি পংঙাঙ ঙাঙবা, পংশক শক্লবা তৌনরক্লে। হায়বদা নুংঙাইতবা ৱাহৈ ৱাতাশিং অতোপ্পা ৱাহৈদা শীজিন্নদুনা ৱাহন্থোক ওইনা খঙনরম্বদু হৌজিক্তি ফিল্ম অমদি শুমাং কুম্মৈনচিংবশিংদা ফাওবা ইফোং ফোংনা হায়নদুনা খুন্নাই অসি চাওখৎত্রিবা মীওইশিংগী খুন্নাই অমা ওইনা শক তাক্লীংবা মীওইশিং হেনগৎলক্লে। অতোপ্পা লৈবাক্তা লমচৎ কাম্বশিংনা শেৎনা ইন্নবা ফি, ফজবা চাওখৎপগী মতৌ তম্বনি হায়না লৌনরকপা অমসুং ৱাহৈ খোনফম ফজদবা ঙাঙবনা হেন্না তাবদা নুংঙাইরকপা ওইনা লৌনবা হৌরক্লে। মচানা ফজদবা ৱাহৈ খোনফম শীজিন্নদুনা সোসল মিদিয়াদা ঙাঙ-শক্লকপা য়েংবা নুংঙাইতবা মওংদা মমাই মমিৎ উৎলকপা মতমদা থোইনা নাচুংনদনা য়েংলগা লৈথোক্লরে। মসি পূম্নমক অসি খুন্নাইগী অফবা শক্তম অমত্তা নত্তে। মতম অসিদা অথিংবা পীদুনা অসিগুম্বশিং অসি তৌগনু, মদুনা মখোয়গী চীং-লেম্বা মতৌশিং মাঙহনবতা নত্তনা মখোয়গী লমহেনবা মতৌশিংদুনা খুন্নাইগী পুন্সিদা মশক থিহল্লকই হায়বসি য়াম্নমক মরু ওইরক্লবসু মীয়াম্না মসিদা করিসু পূক্লিং চঙশিন্নরক্ত্রি। করিদি তৌনি হায়দুনা উশিন্নদনা লৈবনা হেন্না পূক্লিং লৈতাবা হেনগনি হায়না খন্নরক্লি। অদুবু অসুম্না করিসু তৌদনা লৈশিনবনা অরোইবা ৱারেপ্পবদি ওইরক্লোই খল্লি। মতমগী খোঙলোই মতুং ইন্না খুন্নাইগী পুন্সিবু মখোয় মশামক্কী পুন্সিনি হায়না খঞ্জবা মীওইশিংনা নোংমদি পূম্নমক অসি ৱাখৈরক্লবগী লম্বী থিরকখিনি হায়বসিদা ঙাইখিবা তাবনি। ●

# এদিটরদা থারকপা ৱাকৎ, মীয়ামগী খোল্লাউ, পাউদম অমসুং অতৈ-অতৈ

## এদেদ স্কুলদা লৈঙাক্কী অশোয়বা থৌশিল

ঈকায় খুম্নজরিবা এদিটর,

ইন্দিয়াগী ষ্টেট অতৈদা চৎনবা এদ্যুকেসনগী চৎন-কাঙলোন কয়া মণিপুরদসু চৎনহন্নবা মহে-মশীনগী লম্‌দা খঙ-হৈরবা কয়ানা পোলিসি শেম্বীদুনা মদুবু থবক্তা নিংথিনা ওন্থোক্লবা হোৎনবা থৌরাং কয়া ঐখোয়না উরে। থৌরাং কয়াশিং অদুগী মনুংদা এদেদ স্কুল কয়াগীদি চিথ্রবা কয়া অমা লৈরি। মদুনা মরম ওইরগা এদেদ স্কুল কয়া তীলনা চিকপা হৌরক্লি। কুমজা ১৯৮০গী ওক্টোবর ১দা গ্রান্দ পীবিদুনা কুমজা ১৯৮৬ ফাওবদা তোঙান তোঙানবা লৈঙাক্কী য়াথং মতুং ইন্না নন প্লান অমসুং প্লান্দা পোষ্ট মশীং ১৭৪৯ লৈরকখিবনি। ঙসি ফাওবদা লৈরকপা অরোনবা থৌরাংদা স্কুল ২১ লৌখৎখ্রে হায়না থাজনরি। অদুগা স্কুল খরদনা পোষ্ট অহেনবা ফংবসু য়াওরি। হায়রিবা অসি করম্বা বেসিসতা য়েংবীবনো?

মথক্কী অসিদগী খরা থৈদোকচরগা কুমজা ১৯৯২দা মতম অদুগী সী এমগী ওফিস কাদা দিসেম্বর ৭তা পাঙথোকখিবা এদেদকী ওইবা লুচিংবা কয়া য়াওবা মীটিংগী ৱারেপ মতুংইন্না কুমজা ১৯৯২গী দিসেম্বর ১৪, ১৫ অমসুং ১৮দা এদ্যুকেসন মিনিষ্টরগী কাদা মণিপুর লৈঙাক্কী মীহুৎ ওইনা কম্মিস্নর এদ্যুকেসন অমদি দিরেক্টর এদ্যুকেসনগা এম ও য়ু অমা খূৎয়েক পীনখি। অদুগুম্বা য়ানচে অদুদা ৱারোল তরুক য়াওরিবনি। ৱারোলশিংদুগী অনীশুবদা কুমজা ১৯৯৩-৯৪গী চহীগী শেনবাদা মথৌ তাবা এদিসনেল পোষ্ট পীবা, অহুমশুবদা থা খুদিংগী গ্রান্দ পীবিবা, মরিশুবদা য়াম্না মরু ওইরিবা ত্রিপল বেনিফিট ফংহন্দুনা হান্ননা এপ্রুভ ফংখিবা ওজা কয়াগী সার্ভিস প্রোটেক্সন থবক ওইনা পাঙথোকপা অমসুং পূম্নমক থবক ওইনা পাঙথোক্লবা মরী লৈনবা কয়াদা ৱারোল খঙহনবা অসিনি। অদুবু চেদা ওইনা ইবা থবক ওইনদি ওন্থোকপীদবা অসি চৎনদুনা লাকখি।

তৌফম থোকপা থৌশিল কয়া তৌবীদবনা ঙসি ফাওবা অসিদা এদেদ স্কুল কয়া কুম লায়নানা নাহন্দুনা থম্বীরি। মসিদা খ্বাইদগী হেন্না অশোকপদা থুম চাইশিনবগী থৌওংদি মতম লোইদুনা নৎত্রগা শিখিবা, নাখিবা কয়াগী অহাংবা পোষ্ট কয়া খুদক্তগী মাগী মাগী মরী লৈনবা জেদ ঈ ওদা রিপোর্ট পীদুনা খুদক্কী ওইবা দিরেক্টরগী মীহুৎ অমা য়াওহল্লগা জেদ ঈ ওগী ওফিসদা দি পি সী ফমদুনা মহুৎ মেনশিনবা য়াহল্লম্মী। মদুনা মতমগী অহোবা লৈখিদে। অদুবু কুমজা ২০০৬তগী মদুগী চৎনবীদু চহী ৫ হেন্না নমশিন্দুনা থমখিবনি। অদুগী মতুং কুমজা ২০১১দা অমুক মহুৎ হাপ্পা য়াবগী অয়াবা য়াথং থোরক্তুনা অহাংবা মেনশিনবা য়াহনখ্রে।

লাইবক থিবদি চহী মঙা হেনবগী মতমশিং অদুগী শেনফমশিং লৈঙাক্লা লৌশিনখি। মসিদা ওজা কয়া শাথিনা অৱাবা মায়োক্লখি। মদুগী তুংদগী অহাংবা পোষ্ট কয়া চহী অনী-অহুমগী ঙাইর-ঙাইরগা মেনশিনবা, খুদক্কী ওইবা ইফেক্ট তৌবীদুনা এদেদ স্কুল কয়াদা তীল তাবা হৌরকখি। মসিমক ষ্টেট অসিগী এদ্যুকেসনগী থৌমী কয়ানা খঙবীদবা অসিমক খ্বাইদগী লাইবক থীবনি।

ইন্দিয়াগী অতৈ ষ্টেটতা চৎনবা য়ারবসু মণিপুরদা চৎনবা য়াদবা থৌশিল কয়া লৈরি। পার্লিয়ামেন্টনা পাস তৌখ্রে হায়দুনা ইন্দিয়াগী খুদুং ইন্দুনা লমদম অসিদা চৎনরবদি ইন্দিয়াগী অতৈ ষ্টেটতা পেন্সন পোলিসি কয়া চৎনখ্রে। করিগী লমদমসিদা চৎনহন্দনা থম্বীবগে? অফবা, মীয়াম্না হরাওগদবা পোলিসিনা চৎনবা য়াদবা অদুগা ষ্টেট অসিদা অৱাবা ওইগদবা পোলিসি কয়ানা চৎনবা অসিবু অচুম্বা ওইগদ্রা? অসিগুম্বা থৌশিল কয়ানা লৈবাক ঈরাং নোংমা নোংমগী হৌবা হেনগনি হায়বসি খঙবীবা চুম্মী। মসিনা মাঙদা চৎপদি লায়রদনা অসুম অসুম মনিং হনগনি। তুংগী য়ূম্বীরেল ওইগদবা ঈং-তপ্পা, চাওখৎপা খুন্নাই অমগী আশা তৌবা য়াবা নহা কয়া শেম্বদা অচৌবা থৌদাং ওইগদবা হীরম অসি লমদমসিদা ফেল ওইরে হায়বা য়ারে।

ইন্দিয়াগী অতৈ ষ্টেটতা ফজনা চৎনরিবা অঙ্গলৱাদি সেন্টর অসিদা অঙাং কয়া লাক্তুনা প্রাইমারি স্কুল য়ৌরকপা মহৈরোয় কয়াবু য়াওখ্রবগে? অসিগুম্বা অঙ্গলৱাদি সেন্টর অসিদা লুপা ক্রোর ক্রোরনা খুজিং ওইরগা থাদরি। মসি মণিপুরদদি অরেম্বা চাদিংনি, থোইদোক্লা মণিপুরগী মীওই অয়াম্বা লৌমী-শিন্মীনা অনম্বনি। অসিগুম্বা লমদম অসিদা শেল তিংহন্দবা মহৈগী লোইশঙ হিংহনবা হায়বসি লৈঙাক্কী অমত্তা ঙাইরবা পোলিসি ওইফম থোকই। লৈঙাক্কী অমদি এদেদ স্কুল কয়া অসি তশেংনা লৈত-লায়রবা কয়াগী মহৈ তন্ফম শঙনি। মসিবু মুথ্থৎনবা হোৎনবা হায়বসি লায়রবগী থম্মোয়দা অৱাবা চৈনা পীবনি। মরম ময়াম অসি লৈবনা এদেদ স্কুল হিংবা য়ানবা অহাংবা পোষ্ট শোয়দনা মেনশিন্নবা লৈঙাক্লা অকনবা থবক লৌখৎফম থোকই। মসিবু থবক্তা ওন্থোক্তবা হায়বসি অচুম্বা থৌওং নত্তে, ঈরাং হৌরক্লবা চেবাউ পীবনি হায়না লৌদবা য়ারোই।

*অদোমগী - এম থম্বৌ, ককচীং খুনৌ হিজম লৈকায়*

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-১০০

১। ‘কোন্থৌজম য়ূমফম’ মণিপুরী পুৱারীদা চাউনা মফম কল্লিবা অমনি। হৌজিক রাজ্যপালনা লৈরিবা মফম অসিনি। মফম অসিদনি মৈদিংঙু চীংথংখোম্বনা ইহান হান্না কাঞ্চিপুরদগী হোঙ্গৎলকখিবসু। খ্বাই খুনফমসু কৌই।
(ক) মৈদিংঙু অসিনা হোঙ্গৎলকপদু শক কয়াদনো?
(খ) শক কয়াদনা মফমসিদা হোঙ্গৎলক্লবা লৈবাক শূবা হৌখিবগে?

২। “চাউবসু কবিনি হায়বদা কনাসু য়েৎলোই। অদুবু কমলগা ফম্মিন্নবদদি য়েংবদা নুংঙাইতে।” ৱাফম অসি কনানা হায়রম্বনো?

৩। “ঐগী ইচে, ঐগী শকয়েং মিংশেলনি। ...ঐগী ইচেদি পোকখায়গদৌবগী ঙাইদুনা লৈরিবা বোমনি।” ৱাফম অসিমনা কনানা হায়বনো?

৪। “হৌজিকপু তূম্বা মতমলা ইতা/ময়াং ক্বাক্লা লাক্লা খোংলি/মীনাই য়োক্লিং কক্কনি চৎখিবা/নথংলেন শিবগী অশি পাউনিনে।” ৱাফম অসিনা অইবী কনানা হায়রিবনো?

৫। “নোক্কনবী নঙনা নোকখিদ্রবদা/নোকশিরা ঐবু কপশিরা?” ঈশৈ অমগী অহৌবা পরেংনি। কনানা ইবনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম জুলাই ৩০, লৈবাকপোকপা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।